# ইন্দিয়ানা অথুবা মতমদা পাকিস্তান, বাংলাদেশকা লোন্নবা ইন্টরনেসনল বাউন্দরি সিল তৌগদৌরি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

অথুবা মতমদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তান অমনি বাংলাদেশকা লোন্নবা ইন্টর-নেসনল বাউন্দরি সিল তৌশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী টেকানপুরদা লৈবা বি এস এফ একাদেমীদা ফোর্স অসিগী এসিস্টেন্ট কম্মান্দেন্টশিংগী পাসিং আউট পেরেদ অমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, টেররিজম অমসুং রেফ্যুজীগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনল বাউন্দরিশিং সিল তৌনবা থৌরাং লৌখৎপনি।

মহাক্না হায়খি, ঙমখৈ ৱাংমদগী টেররিষ্টশিং চঙলকপগী থৌদোক হেনগৎলকপগী মতাংদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ফিরেপ অসি লৌখিবনি। পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অসি মতাং মতমগী মতুংইন্না সেন্ট্রেল লেবেলদা হোম সেক্রেটরি, সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মায়কৈদগী বি এস এফনা অমসুং ষ্টেটশিংগী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরিশিংনা কুপ্না য়েংশিনগনি।

ইন্টরনেসনল বোর্দর সিল তৌবদা অনৌবা মতমগা চুনরবা টেক্নোলোজি শীজিন্ননবা গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিদা খঙ হৈরবা মীওইশিংগা কুপ্না তানরি।

বি এস এফকী জৱানশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্টরনেসনল বোর্দর ঙাকপগী মতাংদা বি এস এফনা লৌরিবা থৌদাং শীংথানিংঙাই ওই। হৌজিক্তি য়ুমলোন্নরিবা লৈবাক কয়ানা ফোর্স অসিগী মতিক ময়াই খঙবা হৌরক্লে। মতাং মতমগী মতুংইন্না বি এস এফকী জৱানশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাসিং আউট পেরেদ লোইরবা মতুংদা হোম মিনিষ্টরনা বি এস এফ একাদেমীগী ভিজিটর বুক্তা সাইন তৌখি। তুংদা মহাক্না একাদেমীগী নেসনল ট্রেনিং সেন্টর ফোর দোগসতা চৎতুনা ফীভম য়েংশিনখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা অৱাং-নোংপোক লমদমদা ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা মায়কৈ অশোমগী ইন্টরনেসনল বোর্দরশিং চেকশিন্না ঙাক শেন্নবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

পুং ১ রোম চুপ্না চথখিবা মীফম অমদা মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা অৱাং-নোংপোক লমদমদা ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম, মরুওইনা লালহৌবগী অকনবা মফম ওইরিবা ষ্টেটশিংগী ফীভম রাজনাথ সিংহদা ময়েক শেংনা পাউদমখি।

ওফিসলশিংগী ৱাফম তারবা মতুংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা লালহৌবগী অকনবা মফমনি হায়না লৌনরিবা অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদা ঈং-তপ্পা ফীভম কায়হন্দনবগী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিং ময়েক শেংনা খঙহনখি।

মরুওইনা মপান লৈবাক্কা লোন্নরিবা অৱাং-নোংপোক্কী ইন্টরনেসনল বোর্দরশিং চেকশিন্না ঙাক শেন্নবগী মতাংদা হোম মিনিষ্টরনা সিনিয়র সিক্যুরিটি ওফিসলশিংদা য়াথং পীখি।

অমরোমদা, রাজনাথ সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, বি জে পিনা কাঙলূপ অমদি লাইনিং লন্থী খেন্নবগী মতুং ইন্না তোঙান-তোঙানবা থৌরাং লৌখৎপগী ৱাফম লৈতে। মীওইবা খুদিংমক চপ মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইশিংবু হন্থনা য়েংবগী ৱাফম লৈতে।

উত্তর প্রদেশতা বি জে পিনা অখন্নবা ফুরুপকী মীওইশিংদা হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংই হায়না কোংগ্রেসকী মেম্বর রঞ্জিৎ রঞ্জননা লোক সভাদা পুখৎলকখ্রবা মতুংদা হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ঙরাং মীওই ৯ না শাবা রসিয়াগী মীহুৎ কাঙবু অমা উনদুনা ৱারী শানবদা কনাগুম্বা মীওই খরনা লৈবাক অনীগী মরীদা অকায়বা থোকহন্নবা হোৎনরে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল, এ এ পিগী অতোপ্পা লুচিংবা ৫ ট্রাইএল মায়োক্লনবা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ফাইল তৌরকখিবা দিফেমেসন কেস অমগা মরী লৈননা ট্রাইএল মায়োক্লনবা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমদি এ এ পিগী অতোপ্পা মেম্বর ৫ দা কোর্টনা খঙহনখ্রে।

কেজ্রিৱাল অমসুং অতৈ মীওইশিং অদুনা মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা পটিয়ালা হাউস কোর্টনা মে ২০ দা হিয়ারিং চথনবগী মতম লেপখি।

দিল্লি দিষ্ট্রিক্ট কৃকেট এসোসিএসন (দি দি সী এ)গী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা জেটলিনা শেঙ্গা-থুমজাগী থৌওং চথখি হায়না মরাল শীরকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বরদা সিভিল অমদি ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেস অমা কেজ্রিৱাল অমদি এ এ পিগী অতৈ লুচিংবশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

জান্যুৱারী ২০ দা কেস অসিগী হিয়ারিং চথবদা কোর্টনা হায়খি মদুদি, কেজ্রিৱাললনা চথরিবা কেস অসি অতম্লনা পন্থহন্নবা হোৎনবগী খুদম ফংবা মরম্না মার্চ ২৫ দা কোর্টতা কারক্কদবনি। দিফেমেসন কেসকা মরী লৈননা কেজ্রিৱাল অমদি অতৈ মীওইশিংগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌগদবা মরম্না নুমিৎ অসিদা শুংশোয় শোয়দনা কোর্টতা লাক্কদবনি হায়না খঙহনখি।

কেস অসিদা চেন্নরিবা এ এ পিগী অতৈ লুচিংবশিং অদুদি- অশুতোশ, কুমার বিশ্বাস, সঞ্জয় সিংহ, রাঘভ চাধা অমদি দিপক বাজপাইনি।

জেটলিনা হায়খি মদুদি, কেজ্রিৱাললনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা মিংচৎ থীহন্নবা হোৎনরকখি। মদুগীদমক লুপা ক্রোর ১০ কম্পেন্সেসন ওইনা পীগদবনি।

অতোপ্পা কেস অমদা হান্নগী কৃকেটর চেটন চৌহাননা কেজ্রিৱাল অমদি সস্পেন্দ তৌখ্রবা বি জে পিগী এম পি কির্তি অজাদকী মথক্তা দিফেমেসনগী মরাল শীখি।

চেটন চৌহাননা দি দি সী এগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা অরানবা থৌওং চথখি হায়না মরাল শীরকখিবগীদমক দিফেমেসন কেস ফাইল তৌখিবনি।

কেজ্রিৱাললনা দিফেমেসন কেস অদু ককপীনবা হায়জখিবদা দিল্লি হায় কোর্ট অমদি সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখিদে।

হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা চেটন চৌহাননা ফাইল তৌরকখিবা দিফেমেসন কেস অমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল দিল্লিগী কোর্ট অমদা কারকখি।

কোর্টনা হিয়ারিং চথরবা মতুংদা কেস অসিগা মরী লৈননা কেজ্রিৱালদা বেল পীখি। কেজ্রিৱালগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট ভি কে ওহরি, এদভোকেট রিসিকেশ, অমদি এদভোকেট ইরসাদনা চেটন চৌহান মশামক কোর্টতা লাকখিদবা মরম্না কেজ্রিৱালগী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অসি কক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

কেস অসিগী হিয়ারিং চথবা হৌরকখিবদা কেজ্রিৱাল লাকখিদে। অদুবু কোর্টনা চীফ মিনিষ্টর মশামক কোর্টতা লাকপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট অভিলাস মলহোত্রানা হায়খি মদুদি, কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না গভর্ণর অমদি প্রসিদেন্টনা কোর্টতা লাক্তবদা অকায়বা লৈত্রবসু চীফ মিনিষ্টরশিংদি তঙাইফদনা লাকফম থোকই। নুংথিলগী পুং ৩.৪৫ তাবদা কেজ্রিৱাল মশামক কোর্টতা লাক্লবা মতুংদা লুপা ১০,০০০গী পার্সনেল বোন্দ অমদি চপ মান্নবা শেনফমগী স্যুরিটিদা বেল পীখি।

অমরোমদা, দিফেমেসন কেস অসিদা কো একুজ ওইরিবা বি জে পিগী এম পি কির্তি অজাদনা দিসচার্জ এপ্লিকেসন অমা থাঙ্গৎলকখ্রে। অজাদতি কেস অসিগা মরী লৈননা মমাঙদা বেল পীবা লৈখ্রবনি।

# ঈ ভি এমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ইলেক্সন কম্মিসনদা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

মরক-মরক্তা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শেমদোকপগী মতাংদা ৱাকৎ কয়া লাকখ্রবসু করি মরমগী সোফটৱেয়র এক্সপর্টশিংদা য়েংশিনহনখিদবনো হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী মতাংদা পাউখুম পীরক্নবা সুপ্রিম কোর্টনা ইলেক্সন কম্মিসনদা খঙহনখ্রে।

পিটিসনরগী এদভোকেট এম এল শর্ম্মানা চীফ জষ্টিশ জে এস খেহর, জষ্টিশ দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমদি জষ্টিশ সঞ্জয় কিষন কোলগী বেঞ্চতা থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল অমনা হায়খি মদুদি, ঈ ভি এম শেমদোক-শেমজিন তৌই হায়না থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ পুম্নমক সী বি আইদা থিগৎহনবগা লোয়ননা নীংথিনা খঙ হৈরবা সোফটৱেয়র এক্সপর্টশিংদা ঈ ভি এম য়েংশিনহনগদবনি।

অদুমওইনমক কোর্টনা কেস অসিদা সী বি আই য়াওহনবা মথৌ তাদে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চয়োল মরিগী মনুংদা ইলেক্সন কম্মিসননা হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না খঙহনখি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এসেম্ব্লি ইলেক্সন হেক লোইখিবগা ই ভি এম শেমদোক-শেমজিন তৌখি হায়বগী ৱাকৎ কয়া লাকখি। খ্বাইদগী অহানবা ওইনা বহুজন সমাজ পার্টিগী প্রসিদেন্ট ময়াৱতিনা উত্তর প্রদেশকী মীখলদা বি জে পিনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা ঈ ভি এম শেমদোক-শেমজিন তৌখি হায়না ৱাকৎলকখি।

হন্দক পাঙথোকখিবা এসেম্ব্লি ইলেক্সনশিংদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শেমদোক-শেমজিন তৌখি হায়না মরাল শীরকখিবগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসননা কনাগুম্বা মীওই অমনা ঈ ভি এম শেমদোকপা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ইলেক্সন কম্মিসননা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা অরানবা থৌওং চথবা ঙম্লোইদবা মওংদা ঈ ভি এমশিং শেমখিবনি। মরম অদুনা হন্দক পাঙথোকখিবা এসেম্ব্লি ইলেক্সনদা ঈ ভি এম শেমদোক-শেমজিন তৌখি হায়না শীরকখিবা মরাল পুম্নমক য়ুম্ফম য়াওদবনি। অদুমওইনমক কনাগুম্বা মীওই অমনা থাজনিংঙাই ওইবা খুদম চাংদম পীদুনা ৱাকৎলকপা তারবদি কম্মিসননা চপ চানা থিগৎনবা হোৎনগনি।

পঞ্জাব অমদি উত্তর প্রদেশকী এসেম্ব্লি ইলেক্সনদা ঈ ভি এম শেমদোক-শেমজিন তৌবগী থৌওং চথখি হায়না আম আদমি পার্টি (এ এ পি) অমসুং বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)না মরাল শীরকপা লৈখ্রে।

বি এস পিগী লুচিংবী মায়াৱতিনা হায়খি মদুদি, মার্চ ১১ দা মীখলগী ফল লাউথোক্লমদায়দা পাক শন্না ঈ ভি এমশিং শেমদোক-শেমজিন তৌবগী থৌওং চথখি। মদুনা মরম ওইরগা মীখল অদুদা বি এস পি মায়থীখিবনি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা উত্তর প্রদেশকী এসেম্ব্লি ইলেক্সনদা বি এস পিনা অপূনবা সীট ৪০৩গী মনুংদা শুপ্নগী ১৯ খক ফংখিবনি।

পঞ্জাবতা অহানবা ওইনা মীখল থেংনরিবা এ এ পিসু ষ্টেটকী অপূনবা এসেম্ব্লি সীট ১১৭ কী মনুংদা শুপ্নগী সীট ২০ খক ফংবা ঙমখি।

ময়াৱতিনা হায়খি, বি জে পিনা অরানবা থৌওং চথদুনা মীখলদা মায় পাকখিবা থৌওং অদুবু নীংশিংবা ওইনা থা খুদিংগী বি এস পিনা 'ব্লেক দে'গী থৌরম পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাললনা হায়খি মদুদি, ঈ ভি এম শেমদোক-শেমজিন তৌখিবনা মরম ওইরগা পঞ্জাবকী মীখলদা এ এ পিনা মায়থীবা ফংখিবনি।

এ এ পিগী অপূনবা ভোট চাদা ২০ দগীনা চাদা ২৫ ফাওবা সিরোমনি অকালি দল অমদি ভারতিয়া জনতা পার্টিগী কোলিসনদা নমদুনা পীখি হায়নসু কেজ্রিৱাললনা মরাল শীখি।

পার্টি অনীনা মীখলদা অরানবা থৌওং চথখিবগী মতাংদা ৱাকৎখ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসননা ঈ ভি এমশিং কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা শেমদোক-শেমজিন তৌবা ঙম্লোইদবা মওংদা শেমখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

# সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল তরাম্না ওকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

সুপ্রিম কোর্টনা অযোধ্যাগী রাম জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদকী ৱাথোক্কা মরী লৈননা পীখিবা ৱায়েল অদু তোঙান-তোঙানবা মুস্লিম লুচিংবা কয়ানা তরাম্না ওকখ্রে। অদুমওইনমক বাব্রি মসজিদ এক্সন কম্মিটি অমসুং মীওই খরনদি কোর্টকী ৱাফম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মুস্লিম ক্লেরিক মৌলানা সুহেব কাশ্মীনা হায়খি, কোর্টতা ৱায়েল চথবা তারবদি কনাগুম্বা কাঙলূপ অমনা মায় পাক্লগা অতোপ্পা কাঙলূপ অমনা মায়থীবা নংবা শোয়দ্রবনি। মরম অদুনা রাম টেম্পলগী ৱাফম অসি মরী লৈনবা মীওই পুম্নমক ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনফম থোকই।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা কাশ্মীনা হায়খি, মালেমদা থেংনরিবা প্রোব্লেম খুদিংমক ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি। য়েংথীনবা অমসুং মরৈ য়েৎনবনা কনাগুম্বা অমত্তদা কান্নবা ফংহল্লোই। য়েংথীনবা তারবদি ৱাথোক অমত্তগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই। করিগুম্বা ৱাফম অসি কোর্টনা ৱায়েনবা থোক্লবদি নাকল অমনা মায় পাক্লগা অতোপ্পা নাকল অমনা মায়থীবা শোয়দ্রবনি। মরম অদুনা রাম জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদকী ৱাথোক অসি ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরকপা মথৌ তাই।

চহী ৬ পন্দুনা লৈরকখিবা অযোধ্যাগী রাম জন্মভুমী-বাব্রি মসজিদকী ৱাথোক কোর্টকী মপান্দা য়াশিন্নবা পুরক্কদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মরী লৈনবা খুদিংমক্না অযোধ্যাগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্নবা পান্থৈ অমা পুথোক্কদবনি হায়না পল্লদুনা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা মথৌ তারবদি হীরম অসিগী মতাংদা প্রিন্সিপাল নিগোসিএটর অমা খনবদা অকায়বা লৈতে।

চীফ জষ্টিশ জে এস খেহরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, অসিগুম্বা লাইনিং লন্থীগা মরী লৈনবা ৱাথোকশিং ৱারী শানরগা য়াশিন্নবা পুরক্কদবনি। মীওইবগী লাইনিং লন্থী অমদি পূক্নিং ৱাখলগা মরী লৈনবা ৱাফম ওইবনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ফম্মিন্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা মথৌ তাই।

জষ্টিশ দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমদি জষ্টিশ সঞ্জয় কিষন কোলসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, মীচং মীখাই নাইদবা মোদরেটর অমা খল্লগা নাকল অনীমক্না ঈং-তপ্পা মওংদা ৱারী শানরগা য়াশিন্নবা পুরক্নবা হোৎনগদবনি। কুমজা ২০১০ দা অলাহবাদ হায় কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমা শীংনরদুনা বি জে পিগী লুচিংবা সুব্রমনিয়ন স্বামিনা পিটিসন অমা থাঙ্গৎলকখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অসি পীখিবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১০ দা অলাহবাদ হায় কোর্টনা য়েংনরিবা অযোধ্যাগী লম তঙ্খায় খায়দোক্লবা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি।

সুব্রমনিয়ন স্বামিনা হায়খি মদুদি, চহী ৬ হেন্না য়ানবা ঙমদনা লাল্লবা ৱাফম অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্নবা সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েনবা মথৌ তাই।

বি জে পি অমদি মসিগী পেরেন্ট ওর্গনাইজেসন ওইরিবা রাষ্ট্রিয়া স্বায়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)না সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অসিবু তরাম্না ওক্লদুনা হায়খ্রে মদুদি, ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পান্থৈনি। বি জে পিগী স্পোক্স-পার্সন সম্বিদ পত্রনা হায়খি, এপেক্স কোর্টকী ৱায়েল অসি তরাম্না ওকই। মতম কয়াগী মমাঙদগী বি জে পিনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা পুম্নমক ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্নবগী ৱাফম হৌদোক্তুনা লাকখিবনি।

লৈথোকপা/ ঐখোয় য়াম্না নুংঙাইজরে



L. Sudhakar
(Shamu)

শগোলবন্দ খন্নাম লৈরক, আই. টি. আই মনাক ইন্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানিপা **লাইশ্রম সুধাকর (শামু)** না ওজাগী মহুৎ শীন্দুনা লায়েংবীবদগী ঐগী ইয়াম্বা ইবোমচাগী য়েৎথংবা কিডনীদা লৈরম্বা এম. এম. ৩৬ চাওবা নুঙ অদু হিদাক চারবা মতুং শুপ্নতংগী নুমিৎ ৮ (নিপান) নিদা নুঙ অদু তারক্লে। ঐখোয় হরাওবগী ঙমখৈ লৈত্রে, য়াম্না নুংঙাইজরে মরমদি হকচাংদা থাঙ থাদনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা ইয়াম্ববু ফহনবগীদমক্তা মরম অদুনা **সুধাকর**-বু হন্না হন্না থাগৎচরি।

*Sd/-* **L. Mohan Singh**
Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai
☎ 8974291877

HL-P/1020/24-27

CAMBRIDGE ENGLISH

Admission starts! Admission starts!

English Foundation Course - Class X (BOSEM)

Course 1: Literature (Prose & Poetry) and Course Book - 2½ Months
Course 2: Grammar, Writing skills and Comprehension - 2½ Months

English Foundation Course - Class XII (COHSEM)

Course 3: Literature, Supplimentary and Advanced Writing Skills- 4 Months
Outstanding Features: Sunday class also at Smart Tutorial, Singjamei
Question analysis - Exam techniques and patterns - Regular class tests - Discussions on previous years' questions - Complete study materials for every lesson - Complete expected questions for the Final Exam. 2018.

Regular Class starts on 10-04-17 and Sunday Class on 09-04-17

Study Centre: 1) Cambridge English - Keishamthong Elangbam Leikai, Leirak Macha, Imphal West, Manipur.
Class Timing: 1) 05:10 am to 06:10 am (Morning) 2). 04:30 pm to 05:30 pm (Afternoon)
Sunday Class: 1) 07:00 am to 07:55 am and 08:05 am to 09:00 am. (Morning)
Tutor: H.Chinglen Singh (9774463856 & 9402280502)

HL-P/1174/24,26,28,31Mar,20-22Ap (Alt)

লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থৎককনি, মপান তোয়না থোক্নি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3729/03/03-05/04

/লূ-তাং চিকপা, হাক্কৎচবা, ফুরি মকুপ চাফৎলগা হাক্কৎচবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা লূ-তাং চিকপা, হকচাং হাক্কৎচবা, ফুরি মকুপ চাফৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, শৌজ ময়াদা নাই চারগা ঈ তাবা, খোঙ হেন্না হাম্বা, ইতোন ফাইবা, খোঙ হাম্বা য়াম্না লিকপা, নুংশিৎ কাবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম** ☎ ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭ দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm

*থাগৎচরিবা* **: Md. Kalamudin**
*Lilong*

HL-P/1196/26

# অৱাবা ফোঙদোকপা



মতম শাংনা R.Y.S.O Khaidem Mayai Leikai গী General Secretary ওইবীরম্বতা নত্তনা ইবুধৌ লোয়ালাকপা থৌগল কম্মিটি, খায়দেমগী জোইন্ট সেক্রেটরিগী থৌ পুবীরম্বা **শ্রীনিংঙোম্বম ৺ইন্দ্রজিৎ সিংহ**-না খঙহৌদনা হৌখিবা তাং ২১/০৩/২০১৭ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ঈশ্বরগী খুয়াদা চঙজখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না লাইরমলেন্দা ঈংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক মেম্বর খুদিংমক্না মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

*হায়জরিবা ঃ* **H. Ibotombi Singh**
***Secretary,*** Ibudhou Loyalakpa
Thougal Committee, Khaidem

HL-P/1203/26

/GAS CARD LOST

I have lost my Original Gas Card bearing Consumer No. 7030628918, issued by Hrangchal Gas Agency, Old Lambulane Imphal, on the way from Khwairamband Bazar to Uripok on 23/03/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Shamurailatpam Dijeshwori Devi**
Old Lambulane, Imphal
☎ 8974282696

HL-P/1195/26

/ খঙহঞ্জবা

অহানবদা Maoist Communist Party গী থৌমীরোইশিংবু Hijam Irabot Memorial Charitable Trust অসিনা চলাইরিবা Hijam Irabot Memorial Public School, Langjing না অৱাংবা থাক্তা ইকাইখুম্নবা উৎচরি। হৌখিবা তাং ২২/০৩/২০১৭ ইংদা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা থম্বীরকপা ৱাফম্বু শেংদোক্লবগী তাঞ্জা লৌজরি। লোয়ননা ৱাফম খরা থমজরি, ঙসিদগী চহী মরিগী মমাংদা Institute of Advance Studies ((IAS), Paona Bazar দা লৈবা Study Centre না শিল লাংবা UP দা লৈবা Board অমখক্কী Class X & XII Exam অমা HIM Charitable Trust না হায়জরকপদগী অয়াবা পীদুনা HIM Public School দা Exam পাঙথোকখি। তৌবতবু Exam অদুদা স্কুলগী Teaching & Non-teaching staff শরুক য়াখিবা লৈতে। স্কুল অসিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। লোয়ননা HIM Charitable Trust কী মায়কৈদগী স্কুল অসিদা কনাগুম্বা Study Centre শীংনা মনুং অমসুং মপানগী ওইবা Exam centre থাহন্দবা লোয়ননা স্কুলগা মরী লৈনবা ৱাফমসি Exam নত্তনা অতোপ্পা অমত্তা Exam শীলহন্দবা হায়না ৱারেপ লৌজরে। মরম অদুনা Maoist Communist Party গী ইচিল-ইনাওশিং অমসুং লৈবাক মীয়ামদা থমজরি।

*হায়জরিবাঃ* **HIM Charitable Trust & HIM Public School Teaching Staff and Non-Teaching Staff**

HL-P/1202/26

/ HONDA ACTIVA LOST

I have lost my Honda Activa (White) bearing Regn. No. MN01AC-7200 having Engine No. JF50E73363207 and Chassis No. ME4JF505KG- 7363960 while parking under lock and key at RIMS Road near MM Gas Booking Counter on 24/03/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Thongam Bheigya Singh**
Kwakeithel Thounaojam Leikai, Imphal West
☎ 9612972249

HL-P/1192/26

/খোঙ হাম্বা য়াদবা, ফিঙৌ চৎপা, খ্বাঙ নাবা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, লেংজুম নাবা, য়াঙলেন শরু নাবা, পুক য়েকপা থিনবা, অমাঙথোং ময়াদা পোমথোরকপা, ফম্বী শোনবা ফহনবগী ওজা জিয়া উল হগপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুংশঙনা নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, নুমিৎ ২/৩ গী মনুংদা খোঙ অমুক্তং হাম্বা, খোঙ হাল্লগসু য়াম্না লিক্না হাম্বা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, থাগী খোঙকাপ লাক্লগনা নুমিৎ ১০/১৫ নি লাকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরকপা, অমাঙথোংদা হাক্কৎচবা, অমাঙথোংদা পোমথোরকপা, ফিঙৌ হেন্না চৎপা, ফম্বী শোনবা, পুক্তা য়েকপা থিনবা তৌরম্বা অদু অতোপ্পা মাইবা অমদি দাক্তর কয়াদা চত্তুনা লায়েংজরুবদা ফবা ঙমদনা লৈরকপা অদু ঙসি **MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎ **8414825323, 9615256612** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু মপোকসিমগী কাউজরোই।

*লায়েংফম ঃ* 1. Kekru Villa Minuthong Road, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai.

*থাগৎচরিবী :* **N. Kiran Bala**
***Airport Road***

HL-P/0159/26